# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-09-2024)**

**হোম (এল)ঃ** কুকি মিলিটেন্টশিংনা খুৎলায় পায়জদবা কৌত্রুক্কী খুঞ্জাশিংদা দ্রোন শিজিন্নদুনা বোম থাদবা অমদি অফবা মখলগী নোংমৈশিং শিজিন্নদুনা লান দারকপগী থৌওং সরকারনা য়ামা হকচিন্না লৌই হায়রি।

রাজ্যগী হোম দিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-খুৎলায় পায়জদবা খুঞ্জাশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কা হেনবা থৌওংশিং চত্থরক্লিবা অসিনা, রাজ্য সরকারনা লমদম অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনরিবা অসিদা চাউনা অপনবা থোকহল্লে। অসিগুম্বা কুকি মিলিটেন্টশিংগী থৌওং হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা রাজ্য সরকারনা খুদক্তগী হৌনা ফিভম অদু লাকশিনবা থবক পায়খৎপা হৌখি। কৌত্রুক ভিলেজতা ক্কি মিলিটেন্টশিংনা চত্থরক্লিবা তমথিরবা লান্দা অসিদা চেন্নরিবশিং ফাদুনা দন্দি পীরগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

মরক অসিদা, কৈথেলমানবীদগী কৌত্রুক ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগা তায়নবা মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসন চত্থবা য়াওনা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা খুদক্তা থবক লৌখৎনবা রাজ্যগী হোমগী কম্মিস্নারনা দি.জি.পিদা খঙহনখ্রে।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য পুলিসনা হায়রি-মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক্তা অফবা মখলগী দ্রোনশিং শিজিন্নদুনা বোম থাদরকপগী থৌওং অসি থেংননবা মপুং ফানা শেম শারে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়-মশিং য়াম্লবা আর.পি.জি. বোমশিং সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মীচম মীয়াম লৈবা মফমশিংদা থাদরকপগী থৌওং অসি মখোয়গী অনৌবা লাল্লোং ওইনা শিজিন্নরক্লি। মসিদা

নীংথিনা ট্রেন্নিং তৌরবা কুকি টেকিকেল এক্সপার্টশিং য়াওরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ। ওইরক্লিবা ফিভম অসি কুপা য়েংশিনবগা লোয়ননা মখা তানা থোরকপা থৌদোকশিং থেংননবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

সিনাম মথক্তা লৈবা ৯ শুবা আই.আর.বি. অমসুং কম্মান্দোগী কাংবু অমদা ঙসি নোংঙাল্লকপা পুং মরি মখায়রোম তাবা মতমদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম য়াওনা নোংমৈ অতৎ অখম লৈতনা কাপশিল্লকখ্রে হায়রি। অদুবু, খুল ঙাক্লিবা য়াওনা সেকুরিতি ফোর্সশিংনা অকনবা মওংদা খুৎ হন্দুনা খুঞ্জাশিং অশোয় অঙাম থোক্তনবা হোৎনরি।

অমরোমদা, সেকুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চঙ্খবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিংখৈ চিংখোংদগী ইনসাচ রাইফল অমগা ফিফতি ৱান ইঞ্চকী মোটোর অমগা ফাগৎলে।

তেংনৌপল জিলাগী সাইবোম ভিলেজকী উমংদগী ফিফতি ৱান এম.এমগী মোটোর মরি, এম.এ-থ্রি রাইফল অমা, লেথোদ অনি, লেথোদ গ্রেনেদ মঙা, টুয়েল্ভ বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, নোংমৈ মরু ১৫৯, পম্পী নোংমৈ অমা, দিটোনেটর ১৬, আই.ই.দি. তরুক, হেন্দ গ্রেনেদ ১৬ ফাগৎলে।

জিলা অসিগী মোলনোম সিনাম চিংদগীনা মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল অমগা কোন্ননা নোংমৈ মরু ৪০০ ফাগৎলে হায়রি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী গেলমোল ভিলেজতগীসু মেগজিন য়াওবা এ.কে. রাইফল অমা সি.এম.এম.জি. করবাইন অমা, স্নাইপ্পর রাইফল অমা, রিভোলবর অমা, ট্যুব লোঞ্চিং অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, দিটোনেটর অনি, টিয়ার স্মোগ সেল ৯ অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎলে।

ককচিং জিলাগী ৱাংঙু য়েলাংবা চিংশাংদগীনা আই.ই.দি. অমা, দবল বেরেল অমা, সিঙ্গল বেরেল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম অমসুং দিটোনেটর অমা ফাগৎলে হায়রি।

থৌবাল জিলাগী তেন্থা তুৱাবনদগীসু সিঙ্গল বেরেল অনি, বোর বেরেল গন অনি, তিয়ার স্মোগ সেল মঙা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খোঙহাম্পাৎতগীনা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. সব মেছিনগন করবাইন অমা, টু ইঞ্চ মোটোর বোম ১২, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা অমসুং নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎলে হায়রি।

**চিংহি (এল)ঃ** ইমা চিংহি পুথোকখিবগী ৯ লক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং ইম্ফালগী সঙাইপ্রৌ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা ইমা চিংহিগী ফাউন্দর-সনসম বিরেন্দ্রনা হায়-লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী শিজিন্নরক্লিবা চিংহিবু রসায়নগী ওইবা মচল অমত্তা হাপ্তুনা নৌনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা ফংহন্নবগী পান্দমদা ইমা চিংহি অসি পুথোকপনি। ইমা চিংহি অসি মনিপুরদতা নত্তনা মনিপুরগী ৱাংমদা য়োন্ননবা থৌরাং তৌরে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ইমা চিংহিগী কান্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**এৱার্ড(এল)ঃ** মেদিকেল মহৈরোইশিংদা পীবা রাজকুমার সনাজাউবা সিংহ মেমোরিএল স্কোলারসিপ ঙরাং ইম্ফালগী হোটেল ইমোলিসতা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জেনিমসকী দিরেক্তর-প্রোফেসার লোংজম উসারানি, মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-কে.ঐচ. লোকেশ্বর য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা চান্দেল জিলাগী শজিক তম্পাক্তা আগষ্ট থা অমা চুপা নুপীশিংদা তোঙান তোঙানবা স্কিল ত্রেন্নিংশিং পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়-মফম অদুগী নুপীশিংগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা ফি তুবা, কেন্দল শাবা য়াওনা অতৈ ত্রেন্নিং মখল কয়াসু পীখি।

তেংনৌপল জিলাগী আইমোল খুল্লেন ভিলেজতা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, জিলা অসিগী সিতা অমসুং ক্বাথা ভিলেজতা অগাবির ওইনা চংনিংবশিংগী এন্ত্রান্স ইগজাম অমসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

**কনফরেন্স** ঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-পন্দুনা লৈরিবা কেসশিংগী চাং হন্থহনবা হায়বসি জদিসিয়ারিদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা ঙরাং নুমিৎ নিনি চুপা চথুরকপা দিষ্ট্রিক্ট জদিসিয়ারিশিংগী নেসনেল কনফরেন্স লোয়শিনবগী থৌরমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং লোয়শিন্নবা হোৎনবদা জদিসিয়ারিগী তোঙান তোঙানবা লমশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা পুনশিনদুনা হোৎনমীন্নবা তঙাইফদে। চহি ৩২ হেন্না লোয়শিনবা ঙমদবা কেসশিং য়াওরি হায়না ফোংদোক্লদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-কেসশিংগী ৱায়েল চথুবদা মতম শাংনা চংবা অসিনা মীয়ামনা জদিসিয়ারিদা থল্লবা আশাশিং তপা তপা মাঙলকপা য়াই।

**অরুনাচলঃ** অরুনাচল প্রদেসকী রাজ্যপাল-লেফটনেন্ট জেনরেল-কেতি পরনায়কনা মীথুন (ষনদং) ডেগা মরী লৈননা অৱাং নোংপোক লমদমগী লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা ষনদং লোইবা হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা নেসনেল সেমিনার অমা ঙসি ইতানগরদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়-সেমিনার অসিনা ষনদংবু ঙাক শেনবা অমদি মসিনা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবা ঙম্লগনি। অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা লৈরিবা রাজ্যশিংগী মনুংদা অরুনাচল প্রদেসনা ষনদং খ্বাইদগী লোইবা মফম ওইরি। মসি রাজ্য অসিগী মীয়ামগী

ওইনদি য়ামা চাডথোকচনিংঙাইনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকি মিলিটেন্টশিংনা নৌনা চথুরকখিবা এট্রেক্তা মীওই অম লৈখিদবা য়াওনা অতৈ কয়ানা অশোক অপন নংহনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

পোকফমদা-কুকি লালহৌবনা দ্রোনগী বোম থাদরগা চথুরকপা লান্দাদা মৌ নহা অমা শিরে, মচানুপী অমসুং পাউমী য়াওনা ১১ শোক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা হেদ লাইন পীরদুনা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর ন্যুজ অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোনগী বোম থাদদুনা কৌত্রুক, সেকমাইদা এটেক চথুরকখ্রে, মতৌ নহা অমা শিরে, পাউমী য়াওনা মীওই ১৩ শোক্লে, কৌত্রুক্তা খুল ঙাকপা অমত্তা থম্বা য়ারোই হায়না পুলিসনা কিহনবদগী খুল ঙাকপা অমত্তা লৈখিদে হায়না খুঞ্জা অমনা ফোংদোরকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-কুকিশিংগী পিছ রেল্লিগী নোং হেক ঙানবদা কুকিশিংনা কৌত্রুক্তা দ্রোনশিংদগী বোম হৈথদুনা লান্দারকখ্রে, কুকিশিংগী দ্রোনগী এটেক্তা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং মশক উখিদ্রে, কৌত্রুক লোয়শিল্লে হায়না কুকিশিং হরাউনখ্রে হায়বা পাউ অসি মরুওই পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর গভরমেন্টনা থা তরুক্কী মনুংদা লান লোয়শিনগনি হায়দুনা খোঙ্গ্রাই শৎলিঙৈদা ষননা ৱাইরব্রা, লান খামবা ফি শেল্লিঙৈদা চীংখোঙ চীংয়াগী য়েলহৌমীশিং তুমগদৌরে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-মনিপুরবু পোপী থাফম, দ্রগ শুফম ওন্থোকপগী মায়োক্তা থেংনখিগনি, ইমিগ্রেন্টশিং থিংহৌদ্রবদি য়েলহৌ ফুরুপ মাইনোরিতি ওইরক্লগনি হায়না চীফ মিনিস্তর-এন. বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এম.পি. ডা: বিমোল অকোইজমনা ঙরাং কুকি মিলিটেন্টশিংনা কৌক্রুক্তা চথুরকিবা এটেক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কুকিশিংগী রেল্লি খুদিং শান্তিগী রেল্লি নত্তে, হিংশাগী রেল্লিনি হায়না থাদৌ ফুরুপকী লুচিংবা মাইকেল লমজাংথাং হাওকিপনা ফোংদোকখিবা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

থাদৌনা কুকিদগী অয়াবা লৌগদবা নত্তে, থেংনগনি হায়না থাদৌ কম্ম্যুনিতি ইন্টরনেসনেল টি.সি.আইনা থাদোরকপা ৱারোল সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইরাবতকী নীংশিং থৌরম ইরাবত ভবনদা হৌদোকখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌক্রুক্তা অনৌবা ইরাং থোকখ্রে, নুপী অমা লৈখিদ্রে, পুলিস য়াওনা মীওই ৮ শোকখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তৌসেম সব দিভিজনদা লম্বীগী ফিভম খুদোংচাদবনা অনাবা মীওই অমবু ৱাগী সগাই শাদুনা অসামগী সিলচর তমা অনাবা লায়েংবা চৎখিবগী পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।